**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-09.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লময়ানবা জননেতা হিজম ইরাবতকী ১২৮ শুবা মপোক কুমওন পালন থৌরম ঙসি পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। ইরাবতকী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা, লম-তু শেংবা অমদি ঈ দান তৌবনচিংবা পালন অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

২) জননেতা হিজম ইরাবতনা পামজরম্বা অনৌবা মনিপুর অমগী মংলান অদু মংফাওননবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্ননবা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি।

৩) রাজ্য অসিদা দেঙ্গিনা লৈখিদবা মীওই অনি শুখ্রে। অতোপ্পা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মীওই অমসু ওপরেসন তৌবদা লৈখিদ্রে।

৪) কেন্দ্রগী সিপ্পিং অমসুং ৱাটর ৱেজ মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱালনা ঙসি মুম্বাইদা ক্রুইস ভারত মিসন হৌদোকখ্রে।

অমসুং

৫) এয়ার মার্সেল আমর প্রিত সিংহনা ঙসিদগী ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী মকোক ওইরে।

------

ইরাবত (এল) ঃ লময়ানবা জননেতা হিজম ইরাবতকী ১২৮ শুবা মপোক কুমওন পালন থৌরম ঙসি পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। ইরাবতকী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তন্বা, লম-তু শেংবা অমদি ঈ দান তৌবনচিংবা পালন অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

জননেতা হিজম ইরাবতনা পামজরম্বা অনৌবা মনিপুর অমগী মংলান অদু মংফাওননবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্ননবা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি।

রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থাংমৈবন্দ লীলাশিংখোঙনাংখোংদা লৈবা ইরাবত স্কোয়রদা পাঙথোকপা জননেতা হিজম ইরাবতকী ১২৮ শুবা মপোক কুমওন পালন থৌরমদা পাউমীশিংগা ৱারী শান্নবদা মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা নুমিৎ অসিগী য়াইফ পাউজেল পীখি। হন্দক ন্যু কৈথেলমানবীদা রিক্রুইটমেন্ট য়াওনবগীদমক চৎখিবা মীওই অহুমগী মনুংদা মীওই অমনা থাদোরক্লগা অতোপ্পা অনিনা হৌজিক ফাওবা থাদোরক্ত্রিবা অসিগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- থৌদোক অদু য়ামমক লাইবক থিবনি। কুকি মিলিটেন্টশিংগী মখুৎতা লৈরিবা মীওই অনি অদু অশোই অঙাম য়াওদনা থাদোরকবা থবক লৌখৎলি। মহাকা হায়- মীওই অনি অদু শর্ত্তা অমত্তা য়াওদ না, অশোয় অঙাম য়াওদনা থাদোরকবা হোৎনরি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকার অনিনা অয়ুক, নুংথিল অমসুং নুমিদাং খায়দনা পাউ ফাওনদুনা মীওই অনি অদুসু থাদোরকবা ৱারী শান্নরি। সরকারগী মাইকৈদগী তৌফম থোকপা খুদিংমক কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকার অনিনা কন্না হোৎনরি।

থৌরমদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা মীয়ামনা হিজম ইরাবতকী মুর্তিদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, সিভিল অমসুং পুলিসকা মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংসু শরুক য়াখি।

লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৮ লক শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম ইরাবত সেলেব্রেসন কমিতি অমদি মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা

শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেলেব্রেসন কমিতিগী চেয়ারমেন ডাঃ এম. নরানা হায়- ঙসি ঐখোয়না লৈরিবা ফিভম অসি মাইকৈ খঙদনা, লমজিংবীনবা লৈত্রবা লম্মাংনরবা মীয়াম হায়বদু ওইরে। মানা মানা অপান্বা লন্বীদা চৎনবা খুন্নাইগী শক্তমনি। মহাকা হায়- লময়ানবা হিজম ইরাবতনা খল্লন্বা ৱাখল্লোনশিং নৈনরবদি থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসিগী ৱারোইশিন শোইদনা পুথোকপা ঙমগনি। সরকার অসিনা মীয়ামগী অপান্বা খঙনা থবক পায়খৎপা তঙাইফদে হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

রাজ্য অসিগী অমদি মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানস্ ঙসি জননেতা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন পালন থৌরম পাঙথোকখি।

জননেতা হিজম ইরাবত মেমোরিএল ত্রষ্ট জিরিবামনা শিনদুনা জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা ইরাবত কমপ্লেক্সতা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু ঙসি জননেতা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওনগী পালন থৌরম দি.সি ওফিস কমপ্লেকসকী পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার খুমন্থেম দাইনানা লুচিংদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসারশিং অমদি ষ্টাফনা জননেতাগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। জিলা অসিগী ওফিসশিং অমদি বিভাগশিংদা লম তুং শেংবগী মখা তানা চথখিগনি হায়রি।

স্বাচতা হি সেবা অমসুং ইরাবতকী মপোক কুমওন নুমিৎ পালনগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনসু ঙসি খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল সাইটতা লম তু শেংবগী থৌরম পাঙথোকখি।

ইরাবত ডে সেলেব্রেসন কমিতি কৈবুল লমজাউনসু লময়ানবা হিজম ইরাবতকী নিংশিং থৌরম কৈবুল লমজাউ মখা লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি।

পুন্না হিংমিন্নবা মরুপ ৱাইতোন্নসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা দেঙ্গি লায়নাদগী ঙাকথোকবা কাঙ হিদাক কাপথোকখি। মনিপুর পিপলস ফ্রন্ট নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ইম্ফালগী ন্যু চেক্কোনদা পাঙথোকখি।

অমুকো, পেত্রিওতিক রাইটরস ফোরম, লিলোং য়ুনাইতেদ ক্লবস, ৱাইতোন অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ, সদাউ তেকচম, ইরাবত ডে সেলেব্রেসন কমিতি চীংখুনচিংবনসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ঐখোয়গী অপুনবা শক্তম থঙ্গাল কৈথেল অমদি রেদ ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ব্রেষ্টনা খুৎশমনা শিন্দুনা থঙ্গাল ভৈরোদান মেক্সৱেল হিন্দি হাইস্কুলদা ঈ দান তৌবগী থৌরম পাঙথোকখি।

ইরাবত ডেগা মরী লৈননা সরকারগী মহৈ লোইশঙশিং, ওফিসশিং অমদি লৈকাই লৈকাইদসু লম তু শেংবগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ মণিপুর নোর্থ ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন, সেনাপতিগী মেম্বরশিংনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়াগা উন্নদুনা মখোয়গী সমাজগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদা পাউদমখ্রে। রাজ্যপালনসু মখোয়গী থবকশিং অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মেম্বরশিং অদুনা চহি অসিগী নবেম্বরগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা কলচরেল এন্দ ত্রেদিসনেল ফুড ফেষ্টিভেলদা য়াওবীরনবসু রাজ্যপালদা বার্তন তৌখি।

লাইরিক (এল)ঃ রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা- দ ৱিন্নিং ফিট-সুজ ওফ ওলিম্পিক স্পোর্টস কৌবা লাইরিক অমা ফোংখ্রে। লাইরিক অদু রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী স্পোর্টস মেদিসিন দিপার্টমেন্টনা পাব্লিস তৌবনি।

থৌরমদুদা দিপার্টমেন্ট অদুনা পায়খৎলিবা থবকশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা রাজ্যপালনা হায়- মণিপুরদা অসিগুম্বা মখলগী অহানবা ওইরিবা লাইরিক অসিনা মখোয় মখোয়গী মশান্নগী মতুংইন্না চান্নবা করম্বা খোংউপ তোংগদগে হায়বদু লেপথোকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

দেঙ্গি (এল) ঃ রাজ্য অসিদা দেঙ্গিনা লৈখিদবা মীওই অনি শুখ্রে। অতোপ্পা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মীওই অমসু ওপরেসন তৌবদা লৈখিদ্রে। অদুবওইনমক, মহাকা দেঙ্গিনা মরম ওইদুনা লৈখিদব্রা হায়বদুগী চপ চাবা রিপোর্টতি খঙবা ঙমদ্রি হায়না ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ শলাম প্রিয়োকুমারনা হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদা দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুর, ভি.আর.দি.এল, রিমস অমদি য়ং প্রোগ্রেসিপ এন্দ এথলেটিক ক্লবকা খুৎশমনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা দেঙ্গি এক্তিভ কেস সার্ভিলেন্সতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ডাঃ প্রিয়োকুমারনা হায়- হেলথ দিপার্টমেন্টকী মাইকৈদগী কন্না হোৎনরবসু মীয়ামা কাঙ মরুম কোকফমশিং লৈহন্দনবা থবক পায়খৎত্রগদি উপাই লৈরোই। ঙসি সার্ভিলেন্স চথখিবা অদুদা কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইগী য়ুমথোঙ খুদিংদা কাঙ মরুম কোকপা য়াবা মফম কয়া লৈবা উরে। মহাকা হায়- হৌজিক ফাওবগী ওইনদি দেঙ্গিনা মরম ওইদুনা কৈশামথোং অমদি বিষ্ণুপুরদগী মীওই অনি লৈখিদ্রে হায়বগী চপ চাবা রিপোর্ট লৈরে।

দুকান (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং এস.দি.সিনা কোনবা দিঙ্কু রোডকী নাকলদা নিয়ম কায়না শাজিল্লম্বা দুকানশিং ঙসি শিদোকখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা এস.দি.সি হৈঙাংনা হায়- হৌখিবা ওগষ্ট থাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মাইকৈদগী নিয়ম কায়না দুকান শাজিল্লিবশিং অসি হোংদোকখিনবা খঙহনখিবা লৈরে। অদুবু দুকান মপুশিংনা মশানা শিদোক্তবনা

মরম ওইদুনা ঙসি এস.দি.সি মশা য়াওনা দুকানশিং অসি শিদোকপনি। মহাকা হায়- নিয়ম কায়না নালা ফুমজিনদুনা দুকান ফমজিনবা অসিনা খুৎশেমগী ঈচাউ থোকবগী মরম অমসু ওইরিবনি। মীয়ামগী ইহুল খঙনা অমদি নিয়মগী মতুংইন্না থবক পায়খৎলকপদা মীয়ামসু মতেং পাংবীনবা মহাকা আপীল তৌরি।

রিটায়ার্দ (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী হেদ ওফ প্রোগ্রাম ওইনা থৌ পুরম্বী, ইন্দিয়ান ব্রোদকাষ্টিং প্রোগ্রাম সার্ভিসকী কেদর- এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর তোকেশ্বরি এলাংবম ঙসি থবক্তগী পোত্থাখ্রে। ১৯৮৯ গী এপ্রিল থাদা অকাশবানি ইম্ফালদা ত্রান্সমিসন একজিক্যুতিভ ওইনা থবক চংলকখিবী তোকেশ্বরিনা চহি ৩৫ চুপনা অকাশবানিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেসনশিংদা থবক তৌরকখি। মহাক প্রসার ভারতিদা রিগুলর ইমপ্লোয়ি অমা ওইদ্রিঙৈদা অকাশবানি ইম্ফালগী ৱেষ্টর্ন ম্যুজিক্কী কেজ়্যেল প্রোগ্রাম প্রজেন্তরসু ওইরম্মী।

শ্রীমতি তোকেশ্বরি এলাংবমনা থবক্তগী পোত্থাবগা মরী লৈননা ঙসি অকাশবানি ইম্ফালগী ওদিতোরিয়ম হোলদা অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোকখি।

তমেংলোং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংনা শিন্দুনা অনিরকসুবা ওইনা জিলাগী থাক্তা পাঙথোকপা দিবেতিং চেম্পিয়নসিপ- বেট্টল ওফ ব্রেন্স টু পোইন্ট জিরো ঙসি তমেংলোং টাউন বেপটিষ্ট চর্চকী সেম্তিনারি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। দিবেতিং চেম্পিয়নসিপ অদুদা জিলা অসিগী তামৈ অমদি তৌসেব সব-দিভিজনগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুল ১৮ দগী লাকপা মহৈরোহশিং শরুক য়াখি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ গ্রেস কোতেজ কলচরেল এন্দ ইদুকেসনেল দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসন ককচিংনা শিন্দুনা থা অনি চুপা চত্থরকপা খুবাক ঈশৈ অমসং হোলি ঈশৈগী ৱার্কসোপ ঙসি লোইশিনখ্রে।

সরবানন্দ ঃ  কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং অমসুং ৱাটর ৱেজ মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱালনা ঙসি মুম্বাই হিথাংফমদা ক্রুইস ভারত মিসন হৌদোকখ্রে।

ক্রুইস ভারত মিসন অসি ভারতপু ক্রুইস তুরিজমগা হব অমা ওইহন্নবা অমদি মালেমগী জহাজদা লম কোইবা মীওইশিংগী পন্থুংফম অমা ওইন্নবগী ভারতকী পান্দম অদু ফংহনবগী মাইকৈদা চংশিনবা খোঙথাং অমনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সোনোৱালনা হায়- মিসন অসিনা ২০২৯ ফাওবদা জহাজ লম্বীদা লৈবাক অসিদা লাকপা পেসেঞ্জরশিংগী মশিং শরুক অনি ওইহন্দুনা লৈবাক অসিগী ক্রুইস তুরিজম ইন্দষ্ট্রিবু হেন্না চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎপনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী সমুদ্রগা মরী লৈনবা লমশিংদগী লৌবা য়াবা কান্নবশিং অদু ফংনবা হোৎনবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

থৌরমদুদা তুরিজমগী লমগা মরী লৈনবা য়ান্নচে কয়ামরুমসু সহি তৌনখি।

প্রিট সিংহ ঃ      এয়ার মার্সেল আমর প্রিত সিংহনা ঙসিদগী ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী মকোক ওইরে। মহাক ২০২৩ গী ফেব্রুৱারি থাদগী এয়ার ষ্টাফকী ভাইস চীফ ওইরকপনি। এয়ার মার্সেল আমর প্রিট সিংহ ১৯৮৪ গী দিসেম্বর থাদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ফাইটর পাইলোত ষ্ট্রিমদা কম্মিসন তৌরকপনি। মহাক্কী শাংলবা চহি ৪০ গী সার্ভিস মতমদা তোঙান তোঙানবা কম্মান্দ, ষ্টাফ, ইন্সট্রক্সনেল অমসুং ফোরেন এপ্পোইন্টমেন্টশিংদা থবক তৌরকই। মহাক অসি ক্বালিফাইদ ওইরবা ফ্লায়িং ইন্সত্রক্তর অমসুনি। মহাক অসি  পুং লিশিং ৫ গী মথক্তা ফ্লায়িং এক্সপরিয়েন্স লৈরবা এক্সপরিমেন্টেল টেষ্ট পাইলোত অমসুনি। মহাকা ঙসি থবক্তগী পোত্থাখ্রবা এয়ার চীফ মার্সেল ভি.আর. চৌধরিগী মহুৎ শিল্লকপনি।

বিরেন্দ্র ঃ  কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ বিরেন্দ্র কুমারনা হয়েং নিউ দিল্লিদা দিসএবিলিতি রিহেবিলিতেসন অমসুং স্পেসিয়েল

ইদুকেসনগী লমদা জাতিগী ওইনা মকোক ওইরবশিংদা ইকায় খুমবা উৎকনি। ডাঃ কুমারনা ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতি বিভাগকী মখাদা লৈরিবা রিহেবিলিতেসন কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াদা এফিলিয়েট তৌরবা নেসনেল রিহেবিলিতেসন একজামিনেসন বোর্দনা শিনবা কনভোকেসন সেরেমোনিদা শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট রাজ্য মন্ত্রিশিং- বি.এল. বরমা অমসুং রামদাস অথাৱালেসু শরুক য়াগনি।

মিথুন ঃ এক্তর মিথুন চক্রবর্তিদা দাদা সাহেব ফালকে এৱার্দ পীরকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকী সিনেমাগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌববু শকখঙবা ওইনা মিথুন চক্রবর্তিদা লেমজনিঙাই ওইরবা দাদা সাহেব ফালকে এৱার্দ পীবনি। মসিগীদমক্তা মহাক নুংঙাইবা পোকই। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মিথুন চক্রবর্তি অসি তোঙান তোঙানবা শক্তম লাংখিবগীদমক মীয়ামা পামরবা কলচরেল আইকোন অমনি।

এক্সরসাইজ ঃ ভারত অমসুং কজাকিস্তানগী জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজ (কাজিন ২০২৪)গী ৮ সুবা ইদিসন ঙসিদগী উত্তরাখন্দদা হৌখ্রে। মদুদা ভারত লান্মীগী কুমাউন রেজিমেন্টকী বত্তাল্লিয়ন অমগী পার্সোনেল ১২০ না শরুক য়ারি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়- জোইন্ট এক্সরসাইজ অদু ভারত অমসুং কজাকিস্তান লৈবাক অনিনা কাউন্তর তেরোরিজম ওপরেসনশিং চত্থবদা তেংবাং পীননবা অমসুং মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা উৎথোকবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। এক্সরসাইজ অসিদা সেমি অরবান অমসুং চীংগী লমশিংদা ওপরেসন চত্থবগী থৌওংদা মপুং ওইনা পান্দম থল্লি।

মুরমু ঃ ইন্দিয়ান পুলিস সার্ভিস (আই.পি.এস) প্রোবিসনরশিংগী ২০২৩ গী বেটচকী কাংবু অমনা ঙসি রাষ্ট্রপতি ভবনদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরুমুগা উন্নখ্রে।

প্রোভেনসরশিং অদুদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- তোঙান তোঙানবা ওল ইন্দিয়া সার্ভিসেসশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ান পুলিস সার্ভিস অসি থোইদোক হেন্দোকপা অমনি। মহাকা হায়- আইন অমসুং শান্তি রক্সা হায়বসি লৈঙাক সাসনগীখক নত্তনা মতমগা চুনবা লমদম অমা ওইহন্নবগী য়ামা মরুওইবা যুম্ফম অমসুনি। মহাকা হায়- সমাজিক অমসুং শেল থুমগী লমদা চাওখৎহনবা হায়বসি আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফরবা মতমদতা ঙমগনি। আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফত্তনা অচুম্বা ৱায়েল অমদি নাগরিকশিংগী হক ঙাকপা হায়বসি আর্থ লৈরোই।

------